# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংমিৎয়ুং পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লে।

২) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ঝারখন্দ, গুজরাত অমসুং উরিষাদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি খরনা যাত্রা হৌনগনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- এন.আই.এ অমসুং ষ্টেট এন্তি-তেরোরিজম স্কৱাদকী মরী হেন্না চেৎশিনহনবনা তেরোরিজমগী সমস্যাশিং হন্থহনবা ঙমগনি।

------

কার্ফিয়ু (এল)ঃ মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা মীয়ামগী খোঙজং কনশিল্লকপদগী সরকারনা থল্লকপা কার্ফিয়ু ঙসিগী ওইন পুং খরগী ওইনা কোমথোক্লে।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোকপা চেরোলশিংগী মতুং ইন্না জিলাশিং অসিদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংমিৎয়ুং পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। কার্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈ মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী অয়াবা য়াওদনা মীয়াম পুনবা, খোঙচৎ চৎপা, ৱাকৎ মীফমনচিংবা ফম্বা য়ারোই হায়রি।

কার্ফিয়ু কোমথোকপনা মরম ওইদুনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং চেল্লে। ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিং মহৌশাগুম কৈথেল ফমদুনা মীয়ামা পোৎ লৈবা লাকরি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নুংশিৎ শিৎপদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। ফৌ য়াওনা অতৈ মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোক্লে, উ-ৱা কয়া তেক্লে। মসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা কুমশি চহিগী পোথোকশিং পুথোকপগী চাং হন্থগদ্রা হায়না মীপাইবা ফাওরে।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ঝারখন্দ, গুজরাত অমসুং উরিষাগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

ঝরখন্দগী টাটানাগর জঙ্কসনদা টাটানাগর-পাটনা বন্দে ভারত ত্রেন য়াওনা বন্দে ভারত ত্রেন ৬ শ্রী মোদিনা লমথাগনি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি ৬৬০ হেন্না চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি। মহাকা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী বিনিফিসরি লিশিং ২০ হেনবদা সেঙ্কসন লেট্টরশিং খুৎশিন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং গুজরাতকী গান্ধিনাগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা মরিসুবা গ্লোবেল রিন্যুএবল ইনর্জি ইনভেষ্টর মিট এন্দ এক্সপো (রি-ইনভেষ্টর) হৌদোক্কনি। মথংগী নুমিৎতনা প্রধান মন্ত্রিনা উরিষাদা চৎকনি। রাজ্য অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৩,৮০০ হেন্না চংনবা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি অমদি যাত্রা হুনগনি।

অমিত সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- এন.আই.এ অমসুং ষ্টেট এন্তি-তেরোরিজম স্কৱাদকা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না চেৎশিনহনবনা তেরোরিজমগী সমস্যাশিং হন্থহনবা ঙমগনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অনিসুবা নেসনেল সেক্যুরিতি ষ্ট্রেতিজিস কনফরেন্সকী নিনি চনবা নুমিৎকী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখিবনি। ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু মপুং ফানা চাওখৎপা অমদি শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রিগী মঙলান অদুবু মঙফাওনহন্নবা রাজ্যশিংগী দি.জি.পিশিংদা মতেং পাংবীনবা শ্রী অমিত সাহনা আপীল তৌখি।

হরিয়ানাঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী বি.জে.পিগী মীখলগী কেম্পেন ওরাং কুরুক্ষেত্রদা হৌদোকখ্রে।

কেম্পেন অদু হৌদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতপু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা হরিয়ানা চাওখৎপা হায়বসি য়ামা মরু ওই। মহাকা হায়- সরকার অসিনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবশিং, নুপীশিং অমদি লৌমীশিংদা শক্তি পীরি। সরকার অসিগী অহুমবা টার্মদা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা লুপা কোতি ১৫ গী অনৌবা প্রোজেক্টশিং অয়াবা পীখ্রে। বি.জে.পিগী সরকার অসিনা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবশিংগীদমক য়ুম কোতি অহুম শানবগীদমক্তসু অয়াবা পীখ্রে। মহাকা হায়- লাখপতি দিদি প্রোগ্রামনা নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীরি। নুমিৎ ১০০ নি অসিদা নুপী লাখ ১১ লাখপতি দিদি ওইহনখ্রে। বি.জে.পিনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকারনা চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা সেনিয়র সিতিজনশিংদা লেমা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীনবগীদমক ৱারেপ লৌখ্রে। হারিয়ানাবু চাওখৎহন্নবগীদমক  বি.জে.পিগা খুৎশমরি। প্রধান মন্ত্রিনা রিজার্ভেসন, লৌমীশিং অমদি করপসনগী মতাংদা কংগ্রেস দলবু সমালোচনা তৌখি।

অমরোমদা, জম্মু অমসুং কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা কাশ্মীর তম্পাক্তা ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলগী লুচিংবা কয়ানা মীখলগী রেল্লি অমদি রোড সো পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা লৈজবী থাদুনা হোৎনরি।

এরেষ্ট ঃ আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালগী ডোক্তর অমা হাৎখিবগা কেসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা কলেজ অসিগী হান্নগী প্রিন্সিপাল সন্দিপ ঘোস অমসুং তালা পুলিস ষ্টেসনগী হান্নগী ওফিসার ইনচার্জ অভিজিৎ মোনদাল ফাখ্রে। সি.বি.আইগী পাউনা হায়- মখোয়না কেস অসিগা মরী লৈননা থাংগৎলকপা এফ.আই.আরশিং থিন্থহনবা য়াওনা প্রমান ওইবা য়াবা মচাকশিং লান্না পীশিনবগী ৱাফম য়াওরি। শ্রী মোনদাল পুং কয়া ৱাহং পাউহং চত্থরবা মতুংদা ঙরাং সি.বি.আইনা ফাখিবনি। মদুগী মমাংদা শেল থুম লান্না শিজিন্নবগা মরী লৈননা শ্রী ঘোস হান্ননা ফাখ্রবনি।

মীতিং ঃ লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী ওইবা অহুমসুবা রিজনেল মীফম ঙসি গুজরাতকী রাজকোটতা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা সভাপতি ওইগনি।

মেট ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- নোংচুপ বেঙ্গলগী কোলকাতা য়াওনা রাজ্য অসিগী খা থংবদা লৈবা জিলাশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশতা গঙ্গা, যমুনা, ঘাগ্রা, সরদা, কেন য়াওনা চম্বল তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। রাজ্য অদুগী জিলা ১৮ হৌজিক ঈশিং ঈচাউ মায়োকরি। ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা অমদি খ্দোংচাদবা নংলবশিংদা এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ অমসুং পি.এ.সিগী টিম ৭৪ না মতেং পাংবগী থবক চত্থরি।

ফিলম ঃ ৫৫ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া, গোৱাদা চহি অসিগী নবেম্বর ২০ দগী ২৮ ফাওবা পাংথোক্লগনি। কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা নহা ওইরিবা ফিলম মেক্করশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা বেষ্ট দিব্যুট ইন্দিয়ান ফিলম সেক্সন ২০২৪ হায়না মীংথোনবা অনৌবা সেক্সন অমা হাপচিল্লে। মসিগীদমক্তা য়াল্লবদা ফিলম ৫ খনগনি। মসিগীদমক ইন্ত্রি থাজিনবগী মতম থা অসিগী ২৩ ফাওবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ইরাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

শঞ্জিতাগী পীবুক্‌ংদগী শিনা পোকপা পুলিস ষ্টেসনদা থমজিনবদগী ইরাং থোকখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউশিংনা হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

চীফ মিনিষ্টরগী পৱার শিজিন্নদ্রবদি কৈদৌনবা ওইরিবনো হায়না সেনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লাঞ্জেন্নরিবা কুকিশিংনা ইং চিকপা ঙাইদুনা লৈহৌরি- ইন্দিয়া টু ডে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা- বঙ্গলাদেশকী তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মণিপুরগী ইরাং পাকথোক চাউথোরক্তুনা অৱাং নোংপোক্তা অচৌবা লানবুং অমা ওইরকপা য়াই হায়বা পাউ অমসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরগী য়ুনিফাইদ কম্মান্দ অমদি দি.জি.পি ফম লৌথোকউ, মীয়ামগী পুন্সি, লন থুম ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দ পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সপরমৈনা থোং বোম অহুম ফিট তৌদুনা থুগাইবদা চেন্নবা য়ু.কে.এন.এগী লিদর য়োসেফ ফারে হায়বা পাউ অমসু মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বঙ্গলাদেশকী ইরাংনা অৱাং নোংপোক লমদা লানফম ওইরক্কনি হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকিশিংনা জিরিগী মুংবুং মীতৈ খুলদা লান্দাখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মিনিষ্টর খাসিম ভাসুমগী য়ুমদা বোমনা লান্দাখ্রে হায়বা পাউ অমসু পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা পায়খৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খরদা থমখিবা করফিউ পুং খরা কোমথোকখিবগী পাউসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মণিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

------